# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 14-09-2025)**

**গভনর (এল)ঃ** রাজ্যপাল অজয় কুমার ভালানা হায়রি-রাজ্য অসিদা আইন কায়বা মওংদা চংশিল্লকপা মীওইশিংগী মথক্তা সরকারনা চপ চাবা থবক লৌখৎকনি।

চুরাচান্দপুরগী পিছ গ্রাউন্দদা ঙরাং পাঙথোকখিবা থৌরমদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়-রাজ্য অসিগী ঙমখৈ লান্না আইন কায়বা মওংদা কনাগুম্বা অমত্তা চংশিল্লকপা য়াহল্লোইদবনি। মসিগী মতাংদা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকার অনিনা পুন্না হোৎনমীন্নদুনা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা শেম শারে হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

রাজ্যপালনা মখা তানা হায়-কন্নেক্তিভিতি, ইনফ্রাষ্ট্রকচর, শিক্ষা অমসুং হকশেলগী লমদা অকনবা মাৎয়েং চংবা অসিনা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা অনৌবা খুদোংচাবা অমদি আশা পীরগনি। খুদোংচাদবা কয়া অসিবু পুন্না থেংনবগা লোয়ননা ইং তপ্পা, চাউখৎপা অমদি ঐখোয় মশেলগী মরক্তা থাজনবা পুরকপগী মতম ওইরে হায়নসু রাজ্যপালনা হায়রি। রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা অমদি ইং তপ্পা ফিভম পুরকবগীদমক ঐখোয় খুদিংমকা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংনগদবনি হায়নসু রাজ্যপালনা হায়খি।

**মেট (এল)ঃ** মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-লৈবাক অসিগী নোংপোক অমসুং অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমনি অসিদা অকনবা নোং চুগনি।

বিহার, ছাতিসগর, মধ্য প্রদেস, হিমাচল প্রদেসনচিংবা মফমশিংদা হয়েং অকনবা নোং চুগনি।

মনিপুরদসু হৌখিবা নুমিৎ নিনিদগী লেপ্তুনা নোং চুবদগী ইম্ফাল সহরগী অকুৎপা মফমশিং ঈশিং থুমজিনদুনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা

মায়োকরে।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্পুনা চথুরি।

রাজ্য পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙরাং থোকখিবা চেরোল অমনা হায়-হৌখিবা পুং ২৪ দা রাজ্য অসিদা পুন্না য়েংবদা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম ফনা লৈখি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়-মনিপুর পুলিসনা মোটোর ভেহিকল এক্ট থুগায়বশিংগী মথক্তা লেপ্পুনা দ্রাইব চথুরি। থা অসিগী ১২ দা ত্রাফিক রুল থুগায়বা মীওই অমা দিটেন তৌখি অমসুং গাড়ি ১১ দগী তিনটেদ ফিল্মশিং লৌথোকখি।

**এআর (এল)ঃ** ভারত লান্মীনা মনিপুর অমদি অগরতালাদা ফাষ্ট এদ পীবগী মতাংদা ত্রেন্নিং কম ৱার্কশোপশিং পাঙথোকখ্রে।

ৱার্কশোপশিং অদুদা খুদোংথিবা থৌদোক থোরকপা মতমদা করমা অহানবা লায়েং পীগদগে অমদি মসিগী মরুওইবগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি। মনিপুরগী লৈমখোং মিলিটরি ষ্টেসনদসু বেসিক ফাষ্ট এদ কিয়ারগী মতাংদা ৱার্কশোপ অমা পাঙথোকখ্রে।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি অসামদা লুপা কোতি লিশিং ১৮,৫৩০ রোমগী ওইগদবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি উদ্যোগকী প্রোজেক্টশিং শঙ্গাগনি অমদি যাত্রা হুনগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা অহানবদা দরংদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিংগী যাত্রা হুনগনি। প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা মেদিকেল কলেজ অমসুং হোস্পিতাল, জি.এন.এম. স্কুল অমসুং বি.এস.সি. নর্সিং কলেজ য়াওরি।

প্রধান মন্ত্রিনা গুৱাহাতি রিং রোড প্রোজেক্ট, ব্রহ্মপুরত্র তুরেল মথক্তা শাবা থোং অমগী যাত্রাসু হুনগনি। মদুগী তুংদা শ্রী মোদিনা গোলাঘাটতা নুমালিগর রিফাইন রি-প্লান্টতা অসাম বাইও ইনফোরমো প্রাইবেট লিমিটেদ শঙ্গাগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা ঙরাং গুৱাহাতিদা শকাইরবা শৈশকপা অমদি ভারত রতা-ডা: ভুপেন হজারিকাগী ১০০ শুবা মপোক কুমওন পালন থৌরমদা শরুক য়াখি। থৌমরদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-শৈশকপা অসিনা লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন শন্দোকপদা চাউনা থৌদাং লৌরম্মী। থৌরম অদুদা রাজ্যপাল-লক্সন প্রসাদ অচ্যারিয়া, মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্ব শর্ম্মা, অরুনাচল প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি-পেমা খন্দু অমসুং কেন্দ্রগী পোর্ট এন্দ সিপ্পিং মন্ত্রি-সরবানন্দা সোনোৱাল শরুক য়াখি।

হয়েং, প্রধান মন্ত্রিনা নোংচুপ বেঙ্গোলদা চৎতুনা কোলকাতাদা ১৬ শুবা কম্বাইন্দ কম্মান্দরসকী মীফম হৌদোক্কনি। রাজ্য মঙাগী অরোইবা খোঙচৎ ওইনা প্রধান মন্ত্রিনা বিহারদা চৎতুনা পুরনিয়া ইয়ারপোর্টকী নৌনা শাবা টার্মিনেল বিল্ডিং শঙ্গাগনি। শ্রী মোদিনা লুপা কোতি লিশিং ৬৬ লোমগী প্রোজেক্টশিং শঙ্গাগনি অমদি খরনা উরেপ উয়ুং তমগনি।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা অনিশুবা রাজ্য থাক্কী এন্তি নার্কোটিক্স টাক্স ফোর্স (এ.এন.টি.এফ) কী মীফম হৌদোক্কনি। মীফম অসিদা শ্রী সাহনা নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরো (এন.সি.বি) গী চহিগী ওইবা রিপোর্ট-২০২৪ মীয়ামদা পুথোকপগা লোয়ননা দ্রগ দিসপোজেল কেম্পেইন ওন লাইনগী খুত্থাংদা হৌদোক্কনি।

নুমিৎ নিনি চুপা পাঙথোক্কদবা মীফম অসিদা রাজ্য অমসুং যুনিয়ন টেরিটোরি ১৬ কী এ.এন.টি.এফকী মকোকশিংগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা কেন্দ্র সরকারগী বিভাগশিং শরুক য়াগনি। মীফম অসি মরুওইনা প্রধান মন্ত্রি-

নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিবু নিশা শিজিন্নদবা লমদম অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা পায়খৎপা খোঙথাংগী শরুক অমনি।

**এগ্রীঃ** নেসনেল এগ্রীকলচরেল কনফরেন্স-রবি অভিয়ান-২০২৫ হয়েংদগী হৌরগনি। মীফম অসি কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা সভাপতি ওইদুনা ন্যু দিল্লিদা হৌদোক্কনি।

নুমিৎ নিনি চত্থগদবা মীফম অসিদা লৌউ শিংউগী লমগী অখণ্ড অহৈ, বৈগ্যানিক অমসুং অতৈ মরী লৈনবা মীওই কয়া শরুক য়াগনি। মীফম অসি ভিক্সিত ক্রিসি সংকলপ অভিয়ানগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী শরুক অমনি। মীফম অসি মরুওইনা নীংথম লৌরোক নীংথিনা পুথোকবগী মতাংদা খন্নগনি।

**মীফমঃ** নুমিৎ হুমনিগী ওইবা মেন্যুস্ক্রিপ হেরিটেজগী খুত্থাংদা লৈবাক অসিগী গ্যান লৌশিংগী মরমদা খন্নবা মালেমগী মীফম-গ্যান ভারত্তম ঙরাং ন্যু দিল্লিদা লোয়শিনখ্রে।

মীফম অসি মায় পাকা পাঙথোকখিবদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়-মীফম অসিনা স্কোলারশিং, থিজিন খোপচিনবগী থবক তৌরিবা মীওইশিং অমদি মালেমগী ইনাক খুল্লবা মহৌশাদগী লৈজরক্লবা গ্যান লৌশিংগী মরমদা খঙনিংবা নহারোলশিংগী পুনফম অমা ফংহল্লগনি। শ্রী সাহনা হায়-গ্যান ভারত্তম মীসননা লৈবাক অসিগী মচাক মথুমশিংনা মালেম পুম্বগা অমুক হন্না শমহনবসু ঙল্লগনি।

**নিতিশঃ** বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং বিহারগী উপ মুখ্য মন্ত্রি-সম্রাত চৌধরিনা হায়রি-লাক্লিবা বিহার বিধান সভা মীখলদা নিতিশ কুমারনা এন.দি.এগী মুখ্য মন্ত্রিগী মীরেপ ওইগনি।

অকাশবানি ন্যুজকা অখন্ননা ৱারী শান্নবদা শ্রী চৌধরিনা হায়-বি.জে.পি.

অমসুং এন.দি.এনা মুখ্য মন্ত্রি-নিতিশ কুমারগী মথক্তা চপ চানা থাজবা থল্লি অমসুং রাজ্য বিধান সভা মীখল অসি মহাক্কী লমজিং মখাদা থেংনগনি। মহাকা হায়-স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন (এস.আই.আর) অসি রাজ্য বিধান সভা মীখলগী মরুওইবা ৱাফম অমা ওইরোই। মহাকা হায়-বিরোধিনা ৱাফম অসিগী মতাংদা মীয়ামবু লান্না লমজিংনবা হোৎনরি।

**হোকিঃ** ৱিমেন্স হোকি এসিয়া কপ ২০২৫ গী ফাইনেলদা ঙসি ভারতকী নুপী টিমনা চাইনাগী হাংজোদা যুন্থু চিনাগা থেংনরগনি।

ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল সুপর ফোরগী মেটচতা ভারত অমসুং জপান পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা ড্রো চৎখি। ব্যুতি দুং দুংনা ভারতকী অমত্তা ঙায়রবা পাঞ্জল অদু চনখি। অদুবু, মদু জপানগী সিহো কোবায়া কৱানা ফোরট ক্বাটরদা অমুক হন্দোকখি। অতোপ্পা ফাইনেল সুপর ফোর মেটচ অমদনা চিনানা খা-কোরিয়াবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

প্রাইম মিনিস্তর নরেন্দ্র মোদি ইরাংনা খম থেংনা শোকহল্লবা মনিপুরদা লাক্লল্লে, চাউখৎ থৌরাংগী ৱাফম খরা নত্তনা ইরাং লোয়শিন্নবগী ৱাফমদি ফোংদোক্লমদ্রে হায়না পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউদা-সনা লৈবাক, সঙাই এক্সপ্রেস, হুইয়েন লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, নহারোলগী থৌদাং পিপলস ক্রোনিকল অমসুং মনিপুর মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

চীংমী তম্মী অনিগী মরক্তা থাজনবগী অচেৎপা থোং শাবা মথৌ তায় হায়না মোদিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনা লৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মোদিনা ইরাংগী ৱারোইশিন পুরকবা রোড মেপ থল্লমদ্রে, কংগ্রেসনা লোয়শিল্লল্লবা থবকশিং শঙ্গাবা লাকপনি হায়না কংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

লাক্তে-লাক্তে শোন্নরম্বা নরেন্দ্র মোদি মনিপুরদা পুং খরগী খোঙচৎতা লাক্তুনা নাকল অনিমক্কী আই.দি.পিশিং উন্নখ্রে। প্রাইম মিনিস্তরদগী মীয়ামনা তাবা ফংগনি হায়না থাজনরম্বা ৱাফমশিং খোঙচৎসিদা তাবা ফংখিদবদা মীয়ামনা পেল্লকখিদ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গভনর-অজয় কুমার ভালানা মনিপুরদা মীতোপ চংশিল্লকপা থিংননবা অকনবা মওংদা থবক পায়খৎলগনি হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। মসিগা মান্নবা পাউদা-গভনরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম ঙমখৈ লানশিল্লক্লগা খুন্দাশিল্লকপা য়ারোই হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক্কী অহানবা লামাইদা ফোংলি।